# ‘মণিপুরবু লৈবাক অসিগী পৱার হাউস ওফ স্পোর্টস হায়না খঙনরবসু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা শান্নরোয়শিংবু মীরাইরে’

**য়াইরিপোক, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** শান্ন-খোৎনবদা মণিপুর অসি মালেমগী মীয়াম্না শকখঙনবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী পৱার হাউস ওফ স্পোর্টস হায়না খঙনরবসু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা শান্ন-খোৎনববু অমদি শান্নরোয়শিংবু মীরাইবিরে হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাঙ্খেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা সিঙ্গা খুলগী সিঙ্গা প্লেগ্রাউন্দগী ষ্টেজ অমসুং দ্রেসিং রুম শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশীন্নবগী অমদি সিঙ্গা আইদিএল ক্লবনা শীন্দুনা ৯ লক শুবা সিঙ্গা ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা ৱাঙ্খেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা মতম অমদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা শান্ন-খোৎনবদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মণিপুরগী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা শান্নবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎতুনা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

ইন্টরনেশনল অমদি নেশনলগী থাক্তা শান্নরুরবা অমদি মেদল লৌরক্তুনা ইন্দিয়াগীতা নত্তনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোয় কয়া ঙসিদি মখোগী পীথোকফম থোকপশিং পীথোক্তনা নমশিন্দুনা থল্লি। লমদম অসিগী শান্নরোয় কয়া ঙসি ময়ুম থাদোক্তুনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা, ক্লবশিংদা অমদি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌদুনা অমদি শান্নবা য়াওদুনা লৈখ্রে। লৈঙাক্না শান্ন-খোৎনবগী লমদা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎলকপা, শান্নফমশিং শেমগৎ শাগৎপা ৱাৎলকপনা মরম ওইরগা শান্নরোয় কয়া নীংবা কায়দুনা লৈবা য়াওরি হায়খি।

মহাক্না হায়, ঙসি শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশীন্নরিবা প্লেগ্রাউন্দ অসিদা কাঙলুপ খুদিংমক্না কম্ম্যুনেল হার্মোনি পুরক্নবগী পান্দমদা ষ্টেটকী থাক্তা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা হৌদোকপদা নত্তনা নেশনলগী থাক্তা চেম্পিয়ন্সিপশিংসু পাঙথোক্নবা হোৎনরি। লমদম অসিগী মরুওইনা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা নহাশিংনা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা অপুনবগী পাঙ্গল পুন্না শাগৎমীন্নদুনা ইং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা ফীভম অমা ওইনবা হোৎনমীন্নসি হায়না অপিলসু তৌখি।

# মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গল থোইরগা ১২ রক শুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা অন্ধ্র প্রদেশ ফুটবোল এসোসিএশননা শীন্দুনা চহী অসিগী নবেম্বর ১৮দগী হৌদুনা চখ্থরকখিবা ডা. তালিমেরেন আও জুনিয়র গার্লস নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬ টয়ার ৱানদা মণিপুরনা টিম অমত্তগী মখুৎতা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা ৱিন্নর ওইদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

ঙসি অয়ুক অন্ধ্র প্রদেশকী অনন্তপুরদা লৈবা রুরল দিভেলপমেন্ট ট্রষ্ট আর দি টি ষ্টেদিয়মদা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা মণিপুর অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল লম্বা তৌনখি।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীরগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ১২ রক লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটতগী লাকপা পুন্না টিম ১৬না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চখ্থরকখিবা নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু ৮, ৪১, ৬৫ শুবা মিনটতা চিংখাময়ুম রেদিমানা অহুম, ২৫, ৫৫, ৫৯ শুবা মিনটতা টিম কেপ্টেন লোংজম মিরা চনুনা অহুম, ৮৮, ৭৭ শুবা মিনটতা য়াইফবী থোকচোমনা অনী অদুগা ৭৫ শুবা মিনটতা মোংজম পুস্পারানিনা অমা চনখিবনি।

মণিপুর টিমনা গ্রুপ সীগী লিগ মেটচশিংদা অহানবদা গুজরাটপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেটচতনা ছটিসগরবু পাঞ্জল ৪-০দা, অহুমশুবা মেটচতনা কর্নাটকাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি। সেমি ফাইনেলদা মণিপুরনা টামিলনাদুবু পাঞ্জল ২-১দা থোইরগা মায়থীবা অমত্তা নঙদনা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর টিম অদু সগোলসেম অশানা টিম মেনেজর, থোংগ্রাম কুঞ্জঙানবীনা হেদ কোচ, সুরজিৎ নাওরেমনা এসিষ্টেন্ট কোচ লোয়ননা লাঙ্গোলজম প্রিঙ্কিলতা চনুনা ফিজিওথেরাপিষ্ট ওইনা লুচিংখি। মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইরকপদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মায়কৈদগী হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং থা অসিগী ৯গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৩০তাবদা ইম্ফালগী ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলগনি হায়রি।

# ক্লাসা কৈনৌনা য়াইস্কুল কাংখুৎ মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** সন্স এন্দ দোটর্স কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় লৈরক অচৌবগী শেন্থং মখাদা য়াইস্কুল কাংখুৎ ইম্ফালনা শীন্দুনা চখ্থরকখিবা অহানবা লেট চুংখাম নোয়োনচান্দ সিংহ অমদি ইবেমা দেবী মেমোরিএল (ওপন) লিগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ক্লাসা কৈনৌনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা অথোয়বা মীথুংলেন ওইখিবী নিংথেমচা ওংবী চুংখাম নিংঙোল দেবলানা হায়, লমদম অসিগী তাংলবা য়েলহৌঙৈ মতমদগী লৈরক্লিবা মশান্নশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কাং মশান্না অসি য়োকখৎতুনা নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা পুখৎনবা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

য়াইস্কুল চীংঙাখম লৈরক্তা লৈবা শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দপকী কাংশঙদা তোঙান তোঙানবা টিম ১২না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা ওক্টোবর ৩১দগী হৌদুনা চখ্থরকখিবা কাং টুর্নামেন্ট অদুগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিএশন (ক্লাসা) কৈনৌনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৬-১৮দা মায়থীবা পীরগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। কাং টুর্নামেন্ট অদুদা ক্লাসা কৈনৌগী কাংখুৎলোয় এল মাইমু অমদি দল্লিয়ু প্রেমজিৎ অনীনা মথংশিংনা বেষ্ট চেকফৈ অমদি বেষ্ট লমথাগী মনা ফংখি।

# এম আর বি, আই সী আই সী আই অমসুং জেনিমস মায় পাকখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** বামোন কম্পু ক্রিকেট ক্লব (বি জে সী সী)না শীন্দুনা ইরিলবুং হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চখ্থরিবা অহানবা এদিসনগী বেট্টল ওফ দি ওফিস কপ টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা মণিপুর রুরল বেঙ্ক, আই সী আই সী আই অমদি জেনিমস মায় পাকখ্রে।

ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মণিপুর রুরল বেঙ্কনা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টপু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে। মেটচ অদুদা এম আর বিগী শান্নরোয় রাজকুমারনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি। অনীশুবা মেটচতনা আই সী আই সী আইনা রেদ টিমবু রন ৩৯দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অসিগী ওইনা আই সী আই সী আইগী অব্দুলনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতনা জেনিমস হোস্পিটালনা এক্সিস বেঙ্কপু য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

# ইন্টর ভিলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** সী আর পি এফকী ১৮৯ শুবা বট্টলিয়াননা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ইন্টর ভিলেজ ফ্রেন্দলি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙরাং য়াইরিপোক টুলিহলগী অজাদ গোলাই লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ফুটবোল টিম ৪না শরুক য়ারগা লিগ কম নোকআউট বেসিসতা অথোই অহেন চাংদম্ন খিবা অদুদা এস ৱাই দি ও এফ সী য়াইরিপোক টুলিহলনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই দি ও এফ সী য়াইরিপোক টুলিহলনা য়াইরিপোক টোপ এফ সীবু পেনালটি শুটআউটতা পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীরগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা এস ৱাই দি ও এফ সীদা কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লিশিং ৫ অমদি ট্রোফি পীখি। অদুগা টিম রন্নর্স অপ তাহৌখিবা য়াইরিপোক টোপ এফ সীদনা কেস এৱার্দ ওইনা লুপা ২৫০০গা লোয়ননা ট্রোফি খুৎশীন্নখি। টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা ১৮৯ বট্টালিয়ান সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট প্রসান কুমার শাহুনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইখি।

# এম ঐচ জি এ য়ু ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ঃ এম আর আর হট্টা অমদি ষ্ট্রিট গেং মোইজিং মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** মিনুথোং হট্টা মনাইঙ্খোল গ্রাউন্দদা চখ্থরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ৯-মেন-এ সাইদ টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা এম আর আর হট্টা অমদি ষ্ট্রিট গেং মোইজিং মায় পাকখ্রে।



মিনুথোং হট্টা গোলাপতি এথলেটিক য়ুনিয়ন (এম ঐচ জি এ য়ু)না শীন্দুনা চখ্থরিবা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট টিম ২৪না শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোয় অহেন চাংদম্নরি। ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৮নি চনবা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা এম আর আর হট্টা অমসুং বি সী সী ময়াং ইম্ফালগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এম আর আর হট্টানা শুপ্নতগী রন ৮দা বি সী সী ময়াং ইম্ফালবু মায়থীবা পীরমখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এম আর আরগী প্রিয়োনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অনীশুবা মেটচতসু এম আর আর হট্টানা ওল্ড ইজ গোল্ড মনাইঙ্খোলবু রন ২২দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদুগী ওইনসু প্রিয়োনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী টাইটল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ষ্ট্রিট গেং মোজিং অমসুং এস এম প্লাই হট্টাগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ষ্ট্রিট গেং মোইজিংনা রন ৩৯দা মায় পাকখি। অদুগা মরিশুবা মেটচ শান্নখিবদসু ষ্ট্রিট গেং মোইজিংনা এ এফ রোয়েল হট্টাবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

# মণিপুর ষ্টেট লিগকী ১৮ শুবা এদিসন হৌদোকখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙগী আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা টিম ২৪না গ্রুপ অহুমদা শরুক য়ারগা ঙসিদগী ১৮ লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ হৌদোকখ্রে।

ষ্টেট লিগকী ঙসি অহৌবা নুমিৎকী অহানবা লিগ মেটচতা য়ু এস এ খুরাই মায় পাকখ্রে। ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী এক্টিং প্রসিদেন্ট দি বি কোৱর, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচিংগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম ইবোবী অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) মোইরাংগী প্রসিদেন্ট কে বিরেন্দ্রনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগা মরী লৈননা চখ্থরিবা ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ অসি হৌবদগীনা লোইবা ফাওবা শীজিন্নগদবা ভেক্টর হায়না খঙনবা বোল অমসু ঙসি অম্ফাগী মায়কৈদগী লোঞ্চ তৌখি। লিগ অসিগী অহৌবা মেটচতা য়ু এস এ খুরাই অমসুং রহি য়ু সী কামজেংগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা য়ু এস এনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখ্রে।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1672**

**FM Bayarjavkhlan Delgerdalai (2376) - WIM Gulenay Aydin (2237)**
**40th ECC Open 2025 Rhodes GRE, 2025.10.23**

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 g6 5.c4 Nf6
6.Nc3 d6 7.Be2 Nxd4 8.Qxd4 Bg7 9.Be3 O-O 10.Qd3 a6
11.O-O Bd7 12.Rfd1 b5 13.cxb5 axb5 14.a3 Bc6 15.Bd4 Qa5
16.b4 Qa6 17.f3 Qb7 18.Nxb5 Nh5 19.Nc3 Nf4 20.Qd2 Bxd4+
21.Qxd4 Nxe2+ 22.Nxe2 Bb5 23.Nc3 Rfc8 24.a4 Bc4 25.b5 Bb3
26.Rdb1 Rc4 27.Qd3 Qb6+ 28.Kh1 Rd4 29.Qe3 Raxa4 30.Nxa4 Rd1+
31.Rxd1 Qxe3 32.Rdb1 Bc2 33. ...

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1671 Solution :**

**20. ...Nd2** *The black knight decoys White's queen.* **21.Qxd2**
*21.g3 Nxf1*
*21.h3 Nxf1*
*21.Nxd2 Qxh2#*
**21. ...Bxh2+ 22.Kh1**
*22.Nxh2 Qxd2*
**22. ...Bf4+** *With a discovered check by the black queen.*
**23.Kg1 Bxd2**
**0-1**

Ministry of Textiles
Government of India
Development Commissioner (Handicrafts)
Ministry of Textiles, Government of India

“হৌজিক ওইরিবা ইন্দিয়া অসি ‘ভোকেল ফোর লোকেল’ খক্তগী নত্তে মসিনা মালেমদা য়ৌহন্নবগী গ্লোবেল প্লেটফোর্ম অদু পীরি”
- শ্রী নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মিনিষ্টর



এম্পৱরিং আর্টিসান্স, কন্টিন্যুইং ট্রেদিসন্স

- লৈবাক ৯০ হেনবদা লুপা ৪.০৪ লাখ ক্রোর হেন্দিক্রাফটশিং এক্সপোর্ট তৌখ্রে
- আর্টিসান লাখ ১.৭ হেনবা অমসুং মখোয়গা থবক তৌমীন্নরিবশিংদা দাইরেক্ট মার্কেটকী খুদোংচাবা লৈহনখ্রে
- এক্সিবিসন ৪,৯০০দা লুপা ক্রোর ৫০০ হেন্না তানবা ঙমখ্রে
- প্রদ্যুসর কম্পেনি ২৫০না আর্টিসান ৭৫,০০০গী ইকনমিক নেটৱার্ক অমা শেমদুনা হেন্না ফবা মওংদা এম্পৱার তৌরি
- অফবা খুৎলায়শিংনা আর্টিসান ৭১,৬০০দা কান্নবা ফংহনখ্রে, হেন্না ফবা অমদি ক্বালিটি লৈবা পোথোকশিং পুথোকপা ঙমহল্লে
- অখন্নবা ট্রেনিং পীদুনা আর্টিসান লাখ ১.৫কী হৈশিংবশিং হেনগৎহনখ্রে
- হেন্দিক্রাফটকী পোথোক ৩৩৬তা জি আই রেজিষ্ট্রেসন পীখ্রে, মখোয়গী অখন্নবা আইদেন্টিটি অদু ঙাক্তুনা থল্লি

* হৌখিবা চহী ১১গী ফিগরশিং



ইন্দিয়ানা পাঙথোক্লি
নেশনল হেন্দিক্রাফট ৱিক



৮,১৪ দিসেম্বর ২০২৫

দিসকোভর দি মেজিক ওফ হেন্দমেদ-লার্ন, এক্সপ্লোর & সেলেব্রেট

দেল্লিদা প্লান তৌরিবা ইভেন্টশিং

| মাষ্টর ক্রিএসন | হেন্দিক্রাফট এৱার্দ | হেরিটেজ ৱিক | ক্রাফট কাথা | রোলআউট ওফ দি চৌপাল | ক্রাফটেদ ফোর দি ফ্যুচর | ফ্যুচর ওফ ক্রাফটস ইন ইন্দিয়া |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| দিল্লি হট, আই এন এ | বিগ্যান ভাবন | দি কুঞ্জ, নেলসন মন্দেলা মার্গ | হেন্দলুম হট জনপথ | স্কোপ ওদিটোরিয়ম সী জি ও কমপ্লেক্স লোধি রোদ | নেশনল ক্রাফট ম্যুজিয়ম ভাইরোন মার্গ | দি কুঞ্জ নেলসন মন্দেলা মার্গ |
| ১-১৫ দিসেম্বর ’২৫ | ৯ দিসেম্বর ’২৫ | ৮-১৪ দিসেম্বর ’২৫ | ১১-১৭ দিসেম্বর ’২৫ | ১২ দিসেম্বর ’২৫ | ১২-২১ দিসেম্বর ’২৫ | ১৪ দিসেম্বর ’২৫ |
| ১০ এএম-০৮ পিএম | ১১ এএম-১২.৩০ পিএম | ১০ এএম-০৮ পিএম | ১০ এএম-০৮ পিএম | ১১.৩০ এএম-০১ পিএম | ১০ এএম-০৮ পিএম | ১১ এএম-০২ পিএম |

পান ইন্দিয়ানা সেলেব্রেট তৌরি
ক্রাফট দেমোন্সট্রেসন, ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং, এক্সিবিসনশিং অমসুং অতোপ্পা এক্টিভিটিশিংগী খুত্থাংদা

য়ুম-য়ুমদা লৈবাকসিগী পোথোক, য়ুমথোং খুদিং লৈবাকসিগী পোথোক

#vocalforlocal #myhandicraftsmypride

www.handicrafts.nic.in handicraftsdc handicraftsdc dc_handicrafts DC_HandicraftsOfficial

CBC 41103/13/0010/2526

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com